

থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

ঐখোয়বু কৈদৌবা লাকপনো, অমুক্তংদি খঙদোকসি

ঈশামক্লা হংলুরগা খঙলকপা/লৌরকপা পাউমক্তি নত্তে, ইম্ফালদা ফোঙবা পাউচে অমদা, নোংমা ইকুই কুইখিদ্রি থেংনখিবনি- মণিপুরগী ইমপ্লোয়মেন্ত একচেঞ্জদা মীং চন্দুনা লৈরবা, লাইরিক হৈরবা থবক ফঙদ্রিবা নহাগী মশিংসি চাউরাক্লা লাখ নিপাল্লোম সুরে। মরূপ অমনদি হায়খি - লাখ তরা হেল্লম্লমগনি, একচেঞ্জদা মীং চন্দবা মীসু কোকথোং অমা লৈবনি।

চুম্মী, মণিপুরখক্কী ৱা নত্তে ইন্দিয়াগী অতৈ ষ্টেটশিংদা লৈরিবা ইমপ্লোয়মেন্ট একচেঞ্জ পুম্নমক মথৌ নীংথিনা তৌদ্রবা, মতমসিগা চূনদ্রবা ওফিস ঙাক্তা ওইরবনি হায়না নোংমা কম্পিটিসন সক্সেস রিভিয়ুগী ইশু অমদা ইরম্বা থেংনখি। চহীমুক্তি শুরমাল্লে। ষ্টেটশিংগী ইমপ্লোয়মেন্ট একচেঞ্জদগী কান্নবা লৌবা ঙমদ্রদুনা, সেন্ত্রেল গভর্নমেন্টকী ইমপ্লোয়মেন্ট একচেঞ্জগী মওংদা 'ইমপ্লোয়মেন্ট পোর্তেল' হায়বা ওনলাইন সর্ভিস সেন্তর অমা হাঙদোকপগী মতাঙদা ইখিবনি। থবক থিরিবা, লাইরিক হৈরবা নহাশিংনা মশা মশাগী পর্সনেল প্রোফাইল অমা শেল্লগা, মশাগী মোবাইল ফোনগা লিঙ্ক তৌনহল্লগা পোর্তেল সাইত অদুদা থাগত্তুনা থম্বনি। প্রাইভেট নৎত্রগা পব্লিক কম্পেনি অমনা, নৎত্রগা গভর্নমেন্ট দিপার্টমেন্ট অমনা দরকার ওইবা থবক্কী এদভর্তিজমেন্ত থোকপদা সাইত'তুদা থাঙ্গৎলগা মোবাইল নম্বরদুগী খুথাঙদা ইনফোর্মেসন পীবনি। অপাম্বা কেন্দিদেটশিংদুনা এপ্লাই তৌরগা রিক্রুইটমেন্ত প্রোসেসতুদা য়াওখিবনি। মণিপুরগী ইমপ্লোয়মেন্ত একচেঞ্জগী খূথাংদা রিক্রুইতমেন্ত প্রোসেসতা য়াওগে খল্লবা কনাগুম্বনা, কেন্দিদেট মশা চত্তুনা একচেঞ্জ কার্দ থাবীয়ু হায়জরুবা অমা চঙলি তঙায়ফদনা। মমীং চৎলবা, ২০১৬ কী লোইরমদাইদা চথখিবা রিক্রুইতমেন্ত রেল্লি অদুদা, এপ্লিকান্ত খুদিংমক্তগী লুপা ৫০০ /- লৌখি। শেনফমদুদি লৌখ্রগা থবক লৌবই তৌফম থোকপা প্রোসিজ্যুর অমত্তা তৌখিদ্রবা দিপার্টমেন্টসু য়াওখি হায়। চামঙাদুদি হন্দোকখিদ্রে। ফোর্মগীসু ৫০০/-৫০০/- কেন্দিদেট অমমমদই লীশিং লীশিং - য়ামখ্রবা শেনফম অমনি লৈঙাকসিদা কাখিবা। খঙই- মদু, হিসাব তৌবা শেনফম নত্তে।

থবক থিবই ৱারী তৌবদা, ৱাকোই খরা য়াওখ্রমাল্লে ৱারৌনু। থবক থিবই ৱারীসি লৈখিগনি ফনা কুইনা, তাখিগনি তুংদসু। মরমদি থবক তৌবা হায়রগা মীয়াম্না খঙনরিবসি গভর্নমেন্ট জোব অদুখত্তনি। সরকারগী থবক নত্তবা থবক্তি থবক নত্তে। সরকারগী থবক পায়দবা নুপা/নুপী ময়ূম পানবা ৱায়। অপাম্বা জুরা ফঙদে। প্রাইভেৎ জোব পীবা ঙম্বা, জোব সিক্যুরিটি পীবা ঙম্বা অচৌবা কম্পেনি লমদমসিদা মমি উদে। হোটেল খরা, ফার্ম খরা, চেক্কোন খরা - 'কোর্পোরেৎ হাউজ' - লৈতবগী মীংথোনবনি। প্রাইভেৎ কোর্পোরেত হাউজ কৌবা য়াবা বিজিনেস হাউজ - লমদমসিদা উদরি। ইকুই কুইদবা তুংলমচত্তসু থোরকপগী আশা উদরি। নহারোলগী ৱাখলগা লৈঙাকপগী ভিজনগা শম্নফম অমা উদরি। ভিজনরি ওইবা পোলিটিকল লীদর উবা ঙমদে ঙসিগী পোলিটিকেল দোমেন অসিদা। লাইবক থীবদি মসিনি। ঙসিগী লাইরিক হৈবা নহাশিংগী আইদিয়া অমদি মঙলানবু কনানা খঙবী উবীবগে? দ্রগতা লাইচুবা নহারোল, নোংমৈ পায়বা নহারোল - মখোয়গী ওইবা তুংলমচৎ - কনানা নৈনবীখ্রবগে? হয়েংগী যূম্বী ওইগদবা ঙসিগী নহারোল - মখোয়গী পুন্সি পান্দম অমদি ৱাহন্থোক - কনানা মশক তাকখ্র'গে? হায়বদি হায় - লান্না লমজীংখ্রবা নহারোল! লমজীংখিবদুদি কনানো? মখোয় কনাগী খূৎশেমনো? থিখ্রবরা, লৈঙাকপশিং? চাউখৎপদা পন্দাল লোম্লে খন্নরিবা অমেরিকানশিংগী পুন্সিবু মীৎয়েং অশোমদা থিজিনবা 'বর্না রিসর্চ গ্রূপ' কৌবা সংস্থান অমনা থিজিনবদা ফঙলকপা ৱাফমশিংদা যূম্ফম ওইদুনা 'রিক ৱারেন' কৌবা অইবা অমনা 'দ পর্পজ দ্রাইভন লাইফ' (পান্দম অমগা লোয়ননা হিংবা পুন্সি) মীংথোনবা লাইরিক অমা ইখি। ঙসি ফাওবদা অমেরিকাদা ফোঙখিবা 'নন-ফিক্সন-রাইতিং' (ৱাখলনা শাগৎপা খূৎই নত্তবা), লাইরিক অসিদগী হেন্না মমীং চৎপা, মশীং য়াম্না য়োনখিবা অতোপ্পা লাইরিক লৈখিদ্রি। অমেরিকানশিংনা মশাবু নৌনা শকখঙজরকপদা লাইরিকশিনা চাউনা মতেঙ পাংখি হায়। ৱারেনগী ৱাফম শৌগৎলদুনা, চিনাদা পোকপা বৃটিশ অইবা, অমেরিকান সিটিজন 'ওজ গিন্নিস' না অতোপ্পা লাইরিক অমগা ইখি - 'দ কোলজ: ফাইন্দিং এন্দ ফুলফিল্লিং দ সেন্ত্রেল পর্পজ ওফ য়োর লাইফ' (অদোমগী পুন্সিগী মরুওইবা পান্দম থিবা অমসুং ফঙহনবা - খোল্লাউ অমা)। লাইরিকসিদা অইবা গিন্নিসনা হায়- 'ঐখোয়গী থূপ্লবা থম্মোয় কাচিন্দা লৈরিবা পুন্সিগী পান্দম অদুদি ঈশানা তৌবা ঙম্বা মতীক-মঙম অদুগী ৱাংমদনি। অদুগুম্বা পান্দম অদু পাল্লুবনা, পুক্নিং ঈথিল পীবা নত্তনা, ইশা ইরোমদোম ফঙবা ঙম্লোই হায়বদুসু খঙলক্কনি। ঐখোয় খুদিংমক্লা খঙগদবদি - অশেঙবা পুন্সি পান্দম হায়বদুদি কৈদৌনুংদা ফঙলোইদবা, থম্মোয়দতা লৈগদবনি - তশেংবা পুন্সি থৌদাংদি, মফমসিদা ঐহাক্না তৌগদবা করিনো? অমদি করিগী তৌদৌরিবনো? হায়বদু খঙদোকপনি।

মতাঙসিদনি ঐনা ৱাখল লম্মুক্লরিবা - ঐখোয়গী লমদমসিদবু শৈরেং-ৱারেং ৱারী ইবা নত্তনা, অসিগুম্বা লাইরিক ইগে খনবা নুপাবু কদায়দা থিরুগদগে? লৈরমদুনা ইরক্ল'সু - পাবীগদবদু কনানো? লাইরিক পাবা নহারোল - মশীং কয়া লৈবগে? হান্না অমুক্তং থীখিসি।

লৌশিং পুক্কে

ফেট য়াওবা চীঞ্জাক চাবা

ফেট মরাং কয়না য়াওবা চীঞ্জাক তোয়না চারবদি ইন্টেষ্টিনেল কেন্সরগী রিস্ক হেনগৎলকই হায়বা ষ্টদি অমদগী খঙবা ঙল্লে। য়ুনিভর্সিটি ওফ পেন্সিলভেনিয়াগী রিছার্চর জোন লেমব্রিসনা হায়খি, উচিদা চাংয়েং তৌদুনা য়েংবদা ফেট য়াম্না য়াওবা চীঞ্জাক চাবনা ইন্টেষ্টাইনদা কেন্সর তৌহল্লি হায়বা খঙলকপনি।

'মোলিক্যুলর কেন্সর রিছার্চ' জর্নেলদা ফোঙলকখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়খি, হকচাং লূম্বা নৎত্রগা লূমদবা অমসুং ময়াং কংবা নৎত্রগা মশা নোয়বগী ৱাফম্না তোঙান্না থমখ্রগা চাবা থকপগী মওং শোয়রবদি ইন্টেষ্টাইনদা কেন্সর তৌরকই হায়বা ময়েক শেংনা খঙলে।

হকচাংগী অরূম্বা অমসুং অনোয়বা হেনবা হায়বসি কেন্সরগী মরুওইবা রিস্ক ফেক্টরনি। অদুম ওইনমক ময়াং কংবা মীওই ওইরবসু ফেটকী শরুক য়াওবা চীঞ্জাক তোয়না চারবদি কোলোরেক্টেল কেন্সরগী রিস্ক হেনগৎলকই হায়না য়ুনিভর্সিটি ওফ পেন্সিলভেনিয়াগী রিছার্চর এদিমারা রিসনা ফোঙদোকখি।

রিছার্চরশিংনা উচি খরদা ফেটকী শরুক কা হেন্না য়াওবা চীঞ্জাক পীজরম্মী। অতোপ্পা খরনা ইচম চম্বা মওংদা অতৈ অতোপ্পা চীঞ্জাকশিং পীজরম্মী। মতম খরগী মনুংদা চাংদম্নদুনা য়েংবদা ফেটকী শরুক কা হেন্না য়াওবা চীঞ্জাক পীজবা উচি কাঙলুপ অদু ইন্টেষ্টিনেল কেন্সরগী রিস্ক ৱাংখৎলকপা থেংনখি।

ফেট য়াওবা চীঞ্জাক চাবনা থোকহল্লকপা য়াবা খুদক্কী ওইবা সাইদ ইফেক্টতি পূক নুংশিৎ কাবা, পূক কংখৎপা, থগেবদা অশিনবা কাবা অমসুং থবাক শাবনি। তুংদা থোকহল্লকপা য়াবা লোং-টর্ম সাইদ ইফেক্টনা হার্ট দিজিজগী রিস্ক হেনগৎহনবনি। হকচাং ফনা লৈনবগীদমক ফেটকী শরুক খরদি অদুম্মক চাবা মথৌ তাই। অদুবু অকক্লবা চাং অমা লৈগদবনি।

'ন্যুয়োর্ক টাইমস' হেল্ঠ গাইদকী রেক্কমেন্দেসন মতুংইন্না সেচুরেটেদ ফেট অমসুং ট্রান্স ফেটকী চাং হন্থরগা অন্সেচুরেটেদ ফেটকী চাংনা হেন্না চাগদবনি। তোঙান তোঙানবা শা মরুওইনা রেদ মিটতা সেচুরেটেদ অমদি ট্রান্সফেট য়াওই। ওলিভ ওইল অমদি ঙা মখল খরদনা অন্সেচুরেটেদ ফেট য়াওই। সেচুরেটেদ অমসুং ট্রান্স ফেট য়াম্না চাবনা ইনফ্লেমেসন থোকহন্দুনা ইন্টেষ্টিনেল কেন্সরগী রিস্ক হেনগৎহনবনি।

অমেরিকান হার্ট এসোসিএসনগী রিপোর্ট অমনা হায়খি, চাংচৎতা অমেরিকানশিংগী চীঞ্জাক্তা ফেটকী শরুক য়াম্না য়াওই। মদুনা মরম ওইরগা দাইবেটিস অমদি কোরোনরি হার্ট দিজিজনচিংবা খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা লায়নাশিংগী রিস্ক হেনগৎহল্লি। সেচুরেটেদ ফেট অমসুং কোলেষ্টরোল য়াম্না য়াওবা চীঞ্জাক চাবনা ঈ উতোংশিং ফুঞ্জিলহল্লি। ইনখৎলক্লিবা অঙাংশিংদি অয়াম্বা মতমদা চেন-চোংদুনা শান্নবনিনা ফেট য়াওবা চীঞ্জাক চারবসু থোইনা অকায়বা লৈতে। অঙাং ওইরগসু হকচাং লেঙ-ওৎপগী চাং ৱাংলগদি ফেট য়াওবা চীঞ্জাক চাবদা খুদোংথিনিংঙাই ওই।

মীওইবনা চাবদা য়াওখিবা সেচুরেটেদ ফেট অমসুং ট্রান্স ফেটনা ঈ উতোংদা পৈশিল্লকপদগী ঈ উতোং অদু খুজিল্লকই। মদুনা মরম ওইরগা ঈগী ঈচেলদা অকায়বা থোকহল্লি। থৌওং অসিবু এথরোসক্লেরোসিস হায়না খঙনৈ। কোলেষ্টেরোল য়াম্না য়াওবা চীঞ্জাক চারবদি হাইপরটেন্সন (ব্লদ প্রেসর ৱাংবা) ওইহল্লকই। ঈ উতোং ফুঞ্জিল্লত্তুনা ঈগী ঈচেলদা অকায়বা থোরকপদগী ব্লদ প্রেসর ৱাংখৎলকপনি। কিদনি য়াওনা তোঙান তোঙানবা হকচাংগী কয়াৎশিংদা অকায়বা থোকহল্লকপা মরম্না ব্লদ প্রেসর ৱাংবগী থৌওং অসি খুদোংথিনিংঙাই ওই।

ব্লদ প্রেসর ৱাংবনা থোকহল্লকপা য়াবা খুদোংথিনিংঙাই ওইবা থৌওংশিংদি হার্ট এটেক, ষ্ট্রোক অমসুং কিদনি ফেলিয়রনচিংবনি।

চাবা থকপগী মওং শোয়দুনা হকচাংগী অরূম্বা হেনগৎলকপদগী টাইপ-টু দাইবেটিস নারকপা তারবদি অমুক্কা হেন্না খুদোংথিনিংঙাই ওই। এথরোসক্লোরোসিসনা মরম ওইরগা ব্রেন য়ৌবা ঈ উতোং ফুঞ্জিল্লক্লবদি ষ্ট্রোক তৌরকপা য়াই। হার্টকী রিজনদা লৈবা ঈ উতোং ফুল্লগনা হার্ট এটেক তৌরকই। হার্ট এটেক অমদি ষ্ট্রোকনা মী শিহনবা য়াই।

ঐখোয়না চাশিনখিবা চীঞ্জাক খুদিংমক দাইজেষ্টিভ সিষ্টেমনা তুমহনবদা গ্যাস থোরকই। অদুবু গ্যাস কা হেন্না থোরক্লবদি হকচাং নুংঙাইহন্দে। নেসনল দাইজেষ্টিভ দিজিজেজ ইনফোর্মেসন ক্লিয়রিং হাউসকী রিপোর্ট মতুংইন্না ফেট য়াওবা চীঞ্জাক য়াম্না চারবদি পূক ইথন থনগৎতুনা লৈবা মরম্না নুংশিৎ কারকপদগী হকচাং নুংঙাইহন্দে। মরুওইনা থাউদা তাউবা নৎত্রগা ঙৌবা চীঞ্জাক চাবদগী খুদোংচাদবা অসি ওইহল্লকই।

য়াম্না তোয়না থগেবদা অশিনবা কাবগী থৌওংবু গ্যাষ্ট্রোইসো-ফেজিয়ল রিফ্লক্স দিজিজ (জি ঈ আর দি) কৌই। মরক মরক্তা জি ঈ আর দিগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরবদি এন্টাসিদ শীজিন্নরগা নৎত্রগনা চাবা থকপগী মওং হোংদোক্লগা ফহনবা ঙম্মী। অদুবু য়াম্না তোয়না মায়োক্লরবদি হকচাংদা খুদোংচাদবা কয়ামরুম থোকহল্লি। ফেট য়াম্না য়াওবা চীঞ্জাক তোয়না চাবনা খুদোংচাদবা অসি ওইহল্লকপনি।

য়ুনিভর্সিটি ওফ মেরিলেন্দ মেদিকেল সেন্টরগী রিপোর্ট অমনা হায়খি, ফেট মরাং কায়না য়াওবা চীঞ্জাক তোয়না চাবা মতমদা ব্লদ প্রেসর ৱাংখৎলকপগা লোয়ননা কোলেস্টেরোল ৱাংখৎল-কপদগী হার্ট দিজিজ অমসুং কার্দিয়াক এরেষ্টকী রিস্ক হেনগৎলকই।

সেচুরেটেদ ফেট অমসুং কোলেষ্টেরোল মরাং কায়না য়াওবা চীঞ্জাকশিংদি শনশা, হামেং-শা, হোল মিল্ক, ক্রিম অমসুং য়েরুম মমুৎনচিংবনি। মফম খুদিং য়োল্লিবা কুকিজ, কেক, চিপ, ক্রেকর অমদি ফাষ্ট ফুদশিংদা ট্রান্স ফেট য়াম্না য়াওই। য়ারিবমখৈ অসিগুম্বা মখলগী চীঞ্জাক চারোইদবনি।

স্কাই হোস্পিটালদা পর্কুটেনিয়স মিত্রাল বেল্লুন ভালভুলোপ্লাষ্টী প্রোসিদ্যুয়র চথখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১২ (ঐচ এন এস): হার্টকী অনাবা লায়েংবদা স্পেসিলাইজ ইন্টরভেন্সেনেল কার্দিক প্রোসিদ্যুয়র ওইরিবা পর্কুটেনিয়স মিত্রাল বেল্লুন ভালভুলোপ্লাষ্টী স্কাই হোস্পিটালদা চহী অসিগী জুন ২৪ দা মায় পাক্লা পাঙথোকখ্রে।

স্কাই হোস্পিটাল এন্দ রিছর্স সেন্তরগী পি আর ও, এ রোনিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, চহী অসিগী জুন ৪ দা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচন্না লৈবা লমলোং খুনৌদগী এল মেনাই (৪৭) কৌবা মীওই অমা স্কাই হোস্পিটালদা পর্কুটেনিয়স মিত্রাল বেল্লুন ভালভুলোপ্লাষ্টী প্রোসিদ্যুয়র মায় পাক্লা পাঙথোকখি। মেনাই হায়রিবা মীওই অসি মতম শাংনা হার্টকী অনাবা লৈদুনা লাকখিবনি। অসিগুম্বা হার্টকী অনাবা মখল অসিনা ঈগী ঈচেলদা অপনবা পীরকপদগী হকচাংগী ফিভম শোকচিল্লত্তুনা মহাক্কী ওফিসকী থবক অমদি নোংমগী থবক থৌরমশিংদা অৱাবা কয়া মায়োক্লদুনা লাকখিবনি। মণিপুরগী মপানদা হার্ট সর্জরি তৌনবা মহাক থৌরাং ফাওবা তৌরমখি। শেল-থুমগী ফিভম ফত্তবা অমদি মপানদা মহাকপু পুদুনা লায়েংগদবা মী থিবদা অৱাবা লৈবদগী লায়েংদনা লৈরকখিবনি।

মহাক স্কাই হোস্পিটালদা ত্রান্স-ইসোফেজিয়েল ইকোকার্দিওগ্রাফি (টি ঈ ঈ) য়াওনা ইনভেষ্টিগেসন মখল কয়া তৌরবা মতুংদা লায়েংবগী থবক চথখি। চহী অসিগী জুন ২৪ দা হার্ট লায়েংবগী থবক্তা স্পেসিলাইজ ইন্টরভেন্সেনেল কার্দিক প্রোসিদ্যুয়র ওইরিবা পর্কুটেনিয়স মিত্রাল বেল্লুন ভালভুলোপ্লাষ্টী মায় পাক্লা পাঙথোকখিবনি। লায়েংলবা মতুংদা মহাক্কী হকচাংগী ফিভম ফগৎলক্লে। মহাক্কী নোর্মেল দ্যুটিশিং তৌবা য়ারগনি। পর্কুটেনিয়স মিত্রাল বেল্লুন ভালভুলোপ্লাষ্টী হায়রিবা অসি স্পেসিলাইজ ইন্টরভেন্সেনেল কার্দিওলোজি প্রোসিদ্যুয়র অমনি। মসি হার্টকী অনাবা লায়েংবদা চথবা লায়েং মখল অমনি। চহী নৌরিবা পেসেন্টশিংদদি মসি খরা লায়না লায়েংবা য়াই।

স্কাই হোস্পিটালগী চীফ কার্দিওলোজিষ্ট অমদি চ্যেয়রমেন ওইরিবা ডা. এল শ্যামকিশ্বরনা, নন ওপরেটিব বেল্লুন ভালভুলোপ্লাষ্টী অসি স্কাই হোস্পিটালদা চহী ১৮ গী মখাদা লৈবা অনাবশিংগী ওইনদি লেম্না লায়েংলি হায়না ফোঙদোকখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

'সটদাউনগী খোঙজং চঙশিনগনি হায়না লাউথোকখিবা লৈতে'

ইম্ফাল, জুলাই ১২ (ঐচ এন এস): সোসল মীদিয়াদা থা অসিগী ১১ গী নোংয়াইদগী সটদাউনদগী খোঙজং চঙশিনগনি হায়না ফোঙদোরকখিবা অদু অরানবা পাউনি। সটদাউনগী খোঙজং লাউথোকপা লৈতে হায়না ওল মণিপুর পুলিস কন্সটেবল মেল (সিভিল) ভিভা ভোসি কমপ্লিটেদ কেন্দিদেট ফ্রেস বেজ ২০১৬ (১০+২) গী জেনরেল সেক্রেটরি মনিচন্দ্রনা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা মনিচন্দ্রনা হায়খি, ওল মণিপুর পুলিস কন্সটেবল মেল (সিভিল) ভিভা ভোসি কমপ্লিটেদ কেন্দিদেট ফ্রেস বেজ ২০১৬ (১০+২) গী মায়কৈদগী সটদাউন নৎত্রগা মখল অমত্তগী খোঙজং লাউথোকখিবা লৈতে। সোসল মীদিয়াদা কনাগুম্বশিংনা ফোঙদোরক্লিবা ৱাফম অসি অরানবা পাউনি। অসিগুম্বা মওং অসি মখা তানা চথবিগনু। মতুংদা মখা তানা অসিগুম্বা থৌওংশিং অসি চথরক্লবদি লোগী মতেঙ লৌগনি।

ওল মণিপুর পুলিস কন্সটেবল মেল (সিভিল) ভিভা ভোসি কমপ্লিটেদ কেন্দিদেট ফ্রেস বেজ ২০১৬ (১০+২) গী মীহুৎশিংদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী জুলাই থা ফাওবগী মনুংদা ভিভা ভোসিগী ফাইনেল রিজল্ট লাউথোক্কনি হায়না থাজবা পীখিবা লৈখি। মসিসু লৈঙাক্লা থবক্তা ওন্থোকপীয়ু। ওল মণিপুর পুলিস কন্সটেবল মেল (সিভিল) ভিভা ভোসি কমপ্লিটেদ কেন্দিদেট ফ্রেস বেজ ২০১৬ (১০+২) গী মায়কৈদগী রিজল্ট লাউথোরকপা ঙায়দুনা লৈরি। কেন্দিদেট ৭০০০ রোম হেনবা অসি হৌজিক রিজল্ট ঙায়নদুনা লৈরিবনি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মীৎয়েং চঙবীদুনা অথুবদা রিজল্ট লাউথোকপীয়ু হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

ওল মণিপুর পুলিস কন্সটেবল মেল (সিভিল) ভিভা ভোসি কমপ্লিটেদ কেন্দিদেট ফ্রেস বেজ ২০১৬ (১০+২) গী মায়কৈদগী খোঙজংনচিংবা লাউথোকখিবা অমত্তসু লৈতনা সোসল মীদিয়াদা খোঙজং চঙশিনগনি হায়না শন্দোরকপা অসি লাইবক থিবনি। থা অসিগী ১১ গী অহিং নোংয়াইদগী সটদাউনগী খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়বা সোসল মীদিয়াদা শন্দোরকখিবা অসি অরানবা যুম্ফম য়াওদবা পাউনি। ওল মণিপুর পুলিস কন্সটেবল মেল (সিভিল) ভিভা ভোসি কমপ্লিটেদ কেন্দিদেট ফ্রেস বেজ ২০১৬ (১০+২) না হীরম অসিগী মতাংদা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকপা লৈতে। লান্না পাউ শন্দোকপগী থবক অসি মতুংদা তৌহন্নিংদে হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা ওল মণিপুর পুলিস কন্সটেবল মেল (সিভিল) ভিভা ভোসি কমপ্লিটেদ কেন্দিদেট ফ্রেস বেজ ২০১৬ (১০+২) গী থৌ পুবা কয়াসু শরুক য়াখি।

এল বিরজিৎ এদভাইজর হাপখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১২ (ঐচ এন এস): ইন্দিয়া-শ্রীলঙ্কা ফ্রেন্দসিপ ইন্তর্নেস্নেল এৱার্দি এল বিরজিৎ ইন্টিগ্রেটেদ মণিপুরী এসোসিয়েসন (বাংলাদেশ) মণিপুরী রাজবরি শিলেটকী এদভাইজর ওইনা হাপখ্রে হায়না ইন্টিগ্রেটেদ মণিপুরী এসোসিয়েসন (বাংলাদেশ) মণিপুর রাজবারিগী জেনরেল সেক্রেটরি থিঙুজম হিরোনমোইনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, এল বিরজিৎ শিংজমৈ ওইনাম থিঙেল অমদি কলিনগর জিরিবামদা লৈবা এল ইরাবোৎ অমদি ইন্দুমতিগী মচানুপানি। মহাক শ্রী ভেনকেটেশ্বর কোলেজ ওফ ইঞ্জিনিয়রিং এন্দ টেক্নোলোজি অন্ধ্র প্রদেশকী এদমিসন ওফিসর, ইদু ভেলি মণিপুর, এদুকেস্নেল এন্দ কেরিয়র গাইদেন্সকী মেনেজিং দিরেক্তর, য়ুথ স্কুল ফোর সোসল ওন্ত্রেপ্রেন্যুয়র ধাকাগী এদভাইজরি বোর্দ মেম্বর ওইরি। সোসল ৱেলফেয়র ভলুন্টরি ওর্গনাইজেসন জিরিবামগী প্রসিদেন্ট, জিরিবামদা ফোঙবা থাগী চেফোঙ জিল্লা দরবারগী চীফ এদিটর, মণিপুরী এসোসিয়েসন সিক্কিমগী চীফ কনভিনর, লৈশঙ যাত্রা মেমোরিয়েল ট্রষ্ট ইম্ফালগী কনভিনর, এসোসিয়েসন ওফ মণিপুর গভর্নমেন্ট ইমপেনেল ইন্সটিট্যুসনগী চীফ কনভিনর অমদি সাউর্দন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (এস এস য়ু) শিংজমৈগী লাইফ মেম্বর ওইরি।

বিরজিৎ সিংহ এমসুগী হান্নগী সেক্রেটরি ওইরম্মী। ওল মণিপুর গভর্নমেন্ট এদেদ কোলেজ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী হান্নগী প্রসিদেন্ট, কম্মিটি ওন হ্যুমেন রাইটসকী ফাউন্দর মেম্বর, নোর্থইষ্ট কম্মিটি ওন হ্যুমেন রাইটসকী মেম্বর, ময়াই লম্বী কোলেজ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ইম্ফালগী হান্নগী জেনরেল সেক্রেটরি, ঐখোয়গী ক্লব ওইনাম থিঙেলগী হান্নগী জেনরেল সেক্রেটরি, ওল জিরিবাম ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়নগী ফাউন্দর প্রসিদেন্টসু ওইরম্মী হায়নসু মখা তারি।

এজমা ক্লিনিক থবক হৌরগনি

ইম্ফাল, জুলাই ১২ (ঐচ এন এস): রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) কী পেসেন্ট ক্যেয়র সর্ভিসতা হেন্না পাকথোক চাউথোরকপগী শরুক অমা ওইনা দিপার্টমেন্ট ওফ রেসপিরেটরি মেদিসিন্না পায়খৎকদবা এজমা ক্লিনিক থবক হৌরগনি হায়না রিমসকী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট প্রো. সীঐচ অরুনকুমারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, এজমা ক্লিনিক অসি থা অসিগী ১৩ দগী থবক হৌগনি। জেনরেল ও পি দিগী গ্রাউন্দ ফ্লোরদা নুংথিল পুং ২ দগী পুং ৪ তাবা ফাওবা থবক তৌগনি। ক্লিনিক অসি চয়োল অমগী মনুংদা সগোলশেন নুমিৎতা থবক তৌগনি। সগোলশেন নুমিৎকী নুংথিল পুং ২ দগী ৪ ফাওবদা এজমা ক্লিনিক্তা লায়েংবগী খুদোংচাবা ফঙগনি হায়না রিমসকী সুপরিন্টেন্দেন্ট প্রো. সীঐচ অরুনকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তারি।

অনা লায়েংখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১২: রেদ সিল্ড দিভিজনগী মীৎয়েং মখাদা নোনে বট্টালিয়ন্না শীন্দুনা হাওচোং গভর্নমেন্ট হায়স্কুলদা থা অসিগী ৯ দা হেল্ঠ চেক অপ কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে হায়না পি আই বি দিফেন্স ইম্ফালনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। অনা লায়েংবগী কেম্প অদুদা হাওচোং, ইজেরোং অমদি ৱাপাঙ খুলগী অকোয়বগী খুঞ্জা কয়া লায়েংখি। দোক্তর কয়ানা অনা লায়েংবদা শরুক য়াখি।

মোরে-ইম্ফাল ভেন এন্দ ইকো এসোসিয়েসনগী কাঙলোনগী ৱাংমদা চৎপীগনু: এসোসিয়েসন

ইম্ফাল, জুলাই ১২ (ঐচ এন এস): মোরে-ইম্ফাল ভেন এন্দ ইকো এসোসিয়েসনগী চৎনা কাঙলোনগী ৱাংমদা মেম্বরশিংনা চৎপীগনু হায়না এসোসিয়েসন অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ঙসি নুংথিল পুং ৪ রোম তারকপদা এসোসিয়েসন অসিগী প্রসিদেন্ট এন ইবুংঙো মৈতৈগী যুমদা এসোসিয়েসন অসিগী মেম্বরশিং য়াওনা মীটিং অমা পাঙথোকখি। মীটিং অদুদা মরুওইনা খন্নখিবশিং অদুদি, হৌজিক মোরে লম্বী অসিদা সর্ভিস তৌরিবা ভেন অমদি ইকোশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়া অদুগী মতাংদসু খন্নখি। এসোসিয়েসনগী পর্মিট য়াওদবা গাড়ীশিংনা পেসেঞ্জর পুরগা চৎপীগনু। করিগুম্বা পর্মিট য়াওদনা চৎপা মতমদা এসোসিয়েসনগী কাঙবুনা থেংনরবদি এসোসিয়েসনগী আর আরগী মতুং ইন্না এক্সন লৌখৎকনি। মোরে লম্বীদা লোনা য়াদবা পোৎ চৈ কয়া পুরম্বা মতমদা অফা অপুন য়াওরকপা মতমদা এসোসিয়েসন্না থৌদাং লৌদবা হায়নসু য়ান্নখি। মোরে লম্বীদা খুদোংথিবা কয়া থোক্তনবা ত্রাফিক্কী চৎনা কাঙলোন চুম্না চৎপীয়ু হায়বা ৱাফমসু থমখি।

মোরে লম্বীদা সর্ভিস তৌরিবা এসোসিয়েসনগী মেম্বর, দ্রাইভর অমদি ওনরশিংনা এসোসিয়েসনগী অয়াবা য়াওদনা মীদিয়াদা পাউ হাপ্পীগনু। এসোসিয়েসনগী অয়াবা য়াওদনা পাউ হাপ্পীগনু হায়নসু এসোসিয়েসন অসিগী প্রসিদেন্ট এন ইবুংঙো মৈতৈ অমদি সেক্রেটরি জোন জৌ অনীনা ফোঙদোকখি। ঙসি পাঙথোকখিবা মোরে ইম্ফাল ভেন এন্দ ইকো এসোসিয়েসনগী মীফম অদুদা এসোসিয়েসনগী মেম্বর কয়াসু শরুক য়াখি।

RELESING AT DVD DISC ON FRIDAY, 14TH JULY 2017

VISION FILMS PRODUCTION
PRIYOKUMAR PRESENTS
Producer : MATOULEIBI
Written & Directed By
OJITBABU
Cover Designer Mangal Ngamba MN
POOJA VCD PAONA BAZAR
SHAJIK THABA
STOCKIST: POOJA VCD, PAONA BAZAR

HL-P/2059/13

NEWLY [illegible] OPENED

SCHOLAR HOME GIRL'S HOSTEL

KEISHAMPAT LAISOM LEIRAK MACHIN

T.G. HIGHER SEC. SCHOOL -গী ছাত্রীশিংগীদমক অখন্নবা HOSTEL অমা হাংজরে। HOSTEL অসিনা FEE তানা লৌবা অমদি মমিং লৈরবা ওজাশিংনা SUBJECT শুনা COACHING পীবা য়াওনা খুদোংচাবা ময়াম অমা পীজরি।

FACILITIES :
- Under CC TV Surveilance
- Homely Care Food
- Sound Academic Atmosphere
- 24x7 Electricity & Water
- Lady Warden & Security Guard
- Separate Reading & Bed Room
- All Subject Experience Teacher

FEE ₹ 3,300/- per month

FULL A.C. READING ROOM

No Deposit & Admission Fee

LIMITED SEAT

Contact No. ☎ 7085798348

HL-P/1974/2to14 Jul.